ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

আই জি এ আর (সাউথ)কী থৌ নৌনা পুশ্নবা মেজর জেনরেল অলোক নরেশনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা সী এম বঙ্গলোদা উনখিবা

লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনা লুচিংবা টিমনা অঞ্জুমানগী মতেংগা লোয়ননা গাড়ী হুরানবা মীওই মঙা গাড়ী কয়াগা লোয়ননা ফাগৎখিবা

লামায় ১

অকসুগী ২৮শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা লাম্হেংনবদা থৌদাং লৌরিবা ভলন্টিয়র-শিংদা শকখঙচে অমসুং অচম্বা খূদোলপোৎ পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখিবা

লামায় ৬

সাহিত্য থৌপাং লূপনা শীন্দুনা চঙাঙ্গৈ উচেক্কোনদা লৈবা আশ্রমদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৱর্ল্ড বুক দেগা মরী লৈননা পীবা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ ডা. চোংথাম জামিনীদা খূৎশিন্নখিবা

লামায় ২

Vol. 44, Issue No.108 | নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, July 13, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

হোকর এসোসিএসনদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরক্তা মীয়ামদা পাউচেশিং ফংহনবগী থবক তৌরিবা মণিপুর হোকর এসোসিএসনদা চীংমৈরোং মমাং লৈকাইদগী পেবম শরতচন্দ্রনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা পেবম ইবোহলগী মিংদা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্ক তেংবাংদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে হায়না মণিপুর হোকর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অজিৎ ৱাংখেমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফ্লাইট ৪দা মীওই ৩২২ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএন এস): কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইদুনা মণিপুরগী মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা কয়া য়াওনা মীওই ৩২২ তোঙান-তোঙানবা মফমদগী পাইরকখিবা ফ্লাইট মরিদা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলদুনা মণিপুরদা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা গুৱাহাতিদগী ইন্দিগো ফ্লাইট ৬ ঈ-১২৫তা নুপা ৫৫, নুপী ৯, অঙাং ৩ য়াওনা পুন্না মীওই ৬৪ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। অনীশুবা ফ্লাইট এয়র এসিয়া আই ৫/৭৮৩ না দিল্লিদগী গুৱাহাতি ফাওরগা নুপা ৭৯, নুপী ২৩, অঙাং ৮ য়াওনা পুন্না মীওই ১১০ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। অহুমশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-৭০৭ না নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৩ তাবা মতমদা কলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ১০৫, নুপী ১৮, অঙাং ৫ য়াওনা পুন্না মীওই ১২৮ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। মরিশুবা এয়র ইন্দিয়া ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদগী দিমাপুর ফাওরগা নুপা ১৯, নুপী ১ পুন্না মীওই ২০ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা মীওই ৩২২ অদু এয়রপোর্টতা মথৌ তৌরিবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা চেকশিন্না চেক তৌরবা মতুংদা মপান্দা হান্না

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

HL Poll

Q: COVID nattaba atoppa makhalgi lainana naraba meeoising khak layeng-naba leingakki hospital ama akhannana leihanningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Chakthong Gas ki agency kharana consumer singda home delivery nattrabadi LPG gas fanghandabagi thouong asi yaningbra?

Yes 20% No 80%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৮২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.০১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.৫৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- বুংবুং, স্কুল অমুক কাউ হায়রক্লনি !
- ꯕꯨꯡꯕꯨꯡ, ꯁ꯭ꯀꯨꯜ ꯑꯃꯨꯛ ꯀꯥꯎ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯝꯅꯤ!



- পুপু, অমুক্তং পোকপা মপোক্লি, ঐ লাইরিক তম্বা তোকচরগে...!
- ꯄꯨꯄꯨ, ꯑꯃꯨꯛꯇꯪ ꯄꯣꯛꯄ ꯃꯄꯣꯛꯂꯤ, ꯑꯩ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯇꯝꯕ ꯇꯣꯛꯆꯔꯒꯦ...!

কোভিদ নংতবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী অনাবা কয়া চাউনা খূদোংচাদবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): জেনিমস অমসুং রিমস য়াওনা লৈঙাক্কী অনা-লায়েংশঙশিংদা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিং হাংদোকখিবনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা মখলগী অনাবা কয়া লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা লায়েংনবা হোৎনবদা চাউনা খূদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়রি।

খুঙ্গংগী মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং য়াওনা মীওই কয়ানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অনাবশিং লায়েংননবা রিমস অমদি জেনিমস য়াওনা লৈঙাক্কী অনা-লায়েংশঙ অয়াম্বদা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিং হাংদোকখ্রে। লৈঙাক্কী লায়েংশঙশিং অসিদা কোভিদকী অনাবা নংতনা তোঙান-তোঙানবা লায়না লাইওং কয়াগী অনাবা মীওইশিং লায়েংনবা হোৎনবদা চাউনা খূদোংচাদবা মায়োক্লরে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অয়াম্বদসু কোভিদকী অনাবশিং লায়েংননবা আইসোলেসন ৱার্দ হাংদোকখিবনা তোঙান-তোঙানবা লায়না কয়ানা নারবা মীওইশিংদি লায়েংবগী থবক লেপখিবা মতম কুইশিল্লক্লে। লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা লায়েংবগী খূদোংচাবা ৱাৎলকপনা লন্নাই হোস্পিটাল কয়াদা অহেনবা চাদিং তৌদুনা লায়েংনরি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা রিমস হোস্পিটাল অসি কোভিদকী অনাবশিং থমদনা তোঙান-তোঙানবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

এয়র কার্গোদা কিহোম থাদোকখ্রে, লৌমীশিংদা মেছিন্নরি য়েন্থোকখ্রে

লৌমীগী পোথোক লৈশিন্নবা লুপা ক্রোর ৩গী কোর্পস ফন্দ থম্লে : সী এম

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী লৌমীশিংনা পুথোকপা কিহোম চহীসিগী ওইনা মেট্রিক টন ২৫০ মপান লমদা থাদোক্লবা থৌরাং তৌরি। লৌমীশিংনা পুথোকপা পোথোকশিং লৈশিন্নবা লুপা ক্রোর ৩ কোর্পস ফন্দ ওইনা থম্লে হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সী (মোমা)না মপুং ওইনা শীল-লাংদুনা ঙসি বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী কিহোম এয়র কার্গোদা থাখিনবা ফ্লেগ ওফ তৌবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, চহীসিগী ওইনা কিহোম মেট্রিক টন ২৫০ রোম মপান লমদা থাদোক্লবা পান্দম থম্লি। হৌখিবা চহী ২ রোমদা মপান্দা কিহোম থাদোকপগী চাং অসি মেট্রিক টন ২৫০নি। হন্দক চহী অসিখক্তদা এম টি ২৫০ থাদোক্কদৌরি। দিল্লি, মুম্বাই, বেঙ্গলুরুনচিংবা অচৌবা সিটি কয়াদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

রেস্ক্যু তৌখিবা নেপালি নুপী ২১ মরমদমদা হলহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর অমসুং নবেম্বর থাদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী ট্রাফিক্কিংগী ভিক্টিমনি হায়না চিংনবা লৈবদগী রেস্ক্যু তৌখিবশিং য়াওনা নেপালি নুপী ২১ ঙসি মরমদমদা হলহনখ্রে হায়না সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নেপালি নুপী ২১ অসি মরমদমদা হলহন্নবা নেপাল এম্বেসিগী কাউন্সেল্লর প্রকাশ অধিকারিদা খূৎশিন্নখি। লোয়ননা নেপাল এম্বেসিগী মীহুৎশিং অমদি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং য়াওনা বস অমদা নেপালি নুপী ২১ অদু ময়ূম-ময়ূমদা হলহন্নবগীদমক বস অমদা ইম্ফালদগী লমথাখি। ময়ূমদা হলহনখ্রবা নেপালি নুপী ২১ অসিগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

এম য়ুদা হংখিবা আর টি আই এপ্লিকেসন ২গী পাউখুমশিং পীরক্তবদগী সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসনদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): কোর্টনা খল্লকখিবা এদমিনিষ্ট্রেটরগী এদমিনিষ্ট্রেসন মনুংদা য়ু জি সীগী করিয়র এদভান্সমেন্ট স্কিম (সী এ এস)গী মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজা কয়াম হায়র গ্রেদতা প্রমোসন পীখ্রবগে হায়বা য়াওনা মহৈকোল অসিগী ইন্টরনেল ক্বালিটি এস্যুরেন্স সেল (আই ক্যু এ সী)গী দিরেক্টরগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংখিবা আর টি আই এপ্লিকেসন অনীগী পাউখুমশিং পীরক্তবদগী এপ্লিকেসন অনীসিগী এপ্লিকান্টনা সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসন (সী আই সী)দা ৱাকৎপদগী কেস ২ লৌখৎখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা দোক্যুমেন্ট-শিংদা য়ূম্ফম ওইবা পাউনা হায়বদা এম য়ুগী সী পি আই ওদা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট, ২০০৫গী খূখাংদা ৱাহংশিং য়াওবা তোঙান-তোঙানবা আর টি আই এপ্লিকেসন অনী ফাইল তৌখিবা এপ্লিকান্ট অদুগী মমিং অকোইজম প্রিয়োবর্ত অপোকপা লৈখিদ্রবা এ কে অঙৌ কৌই। শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শীংজমৈ মখা সোরোখাইবম লৈকাইদগীনি।

এপ্লিকান্ট অসিনা এম য়ুগী সী পি আই ওদা পীশিনখিবা আর টি আই এপ্লিকেসন অনীগী মনুংদা অহানবনা চৎলিবা কুমজা অসিগী জন্যুৱারী ২৯দনি হায়রি। অহানবগী এপ্লিকেসন অসিদা এপ্লিকান্টনা পীবীরক্নবা হায়জখিবা দোক্যুমেন্ট-শিং অমসুং হংখিবা ৱাহংশিংনা মহাক্না পীখিবা ফোর্মেট অমগী মতুংইন্না কোর্টনা এপোইন্ট তৌরকখিবা এদমিনিষ্ট্রেটর অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মনুংদা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী)গী করিয়র এদভান্সমেন্ট স্কিম (সী এ এস)কী মখাদা হায়র গ্রেদশিংদা প্রমোসন পীখিবা ওজাশিংগী লিষ্ট পীয়ু। সী এ এস প্রমোসন পীখ্রবা ওজাশিং অদুগী ওফিস ওর্দরশিংগী কোপীশিংসু পীয়ু লোয়ননা ক্বেরি নম্বর-১ অসিগী মখাদা ওজাশিং অসিনা মখোয়গী প্রমোসনগী এসেসমেন্টকীদমক শীজিন্নখিবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

মক্রু থোং লানবা য়াখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরি লম্বীগী মক্রু থোংগী বেলি ব্রিদজ ঙরাং অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা থোংগী ফম্পাক্তা থাবা উপাক অমদি য়োৎ তেকখিবদগী পোৎ পুবা ট্রকশিং লানবা য়াদদুনা লৈরকখিবা অদু ঙসি নুংথিলদগী লানবা য়াখ্রে। এন ঐচ আই দি সী এলনা থোং অসি শেমজিল্লবা মতুংদা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা মফম অদুদা পন্দুনা লৈরম্বা পোৎ পুবা ট্রকশিং অদু লাম্থোক-লানশিন তৌহনখিবনি হায়রি।

‘ঐখোয়সিবু কনানো’ না বেষ্ট মণিপুরী ফিচর ফিল্ম তাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): থৌনা মণিপুর অমদি ফিল্ম ফোরম মণিপুর অনীনা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা ৯শুবা মণিপুর ফিল্ম এৱার্দ (মনিফা) ২০২০গী বেষ্ট মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ব্রোজেন্দ্রো য়ুম্নামনা পুথোকপা, অজিৎ য়ুম্নামনা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম ‘ঐখোয়সিবু কনানো’না তাখ্রে।

মনিফা ২০২০গী ওইনা বেষ্ট এক্টর ইন লিদিং রোল (নুপী)গীদা বিজু নিংঙোম্বম (ফিল্ম ঐ এক্টর নত্তে) অমসুং হিজম বালা (ফিল্ম ইনম্মা) অনীনা পূন্না ফংমিন্নরগনি। বেষ্ট এক্টর ইন লিদিং রোল (নুপা) গীদা এ গোকুল (ফিল্ম ইনম্মা)না ফংলগনি। বেষ্ট দিরেক্সননা ঐখোয়সিবু কনানো ফিল্মগী দিরেক্টর অজিৎ য়ুম্নামনা ফংলগনি।

মনিফা ২০২০গী বেষ্ট এক্টর ইন সপোর্টিং রোল (নুপী)না এন রীনা (ইচাদি মনিনি)না তাখ্রে। বেষ্ট এক্টর ইন সপোর্টিং রোল (নুপা)না ৱাংলেনথোইবা (ফিল্ম মমল নাইদ্রবা থম্মোয়)না তাখ্রে। বেষ্ট কোষ্টুমনা অমর লুৱাং (ফিল্ম ঐখোয়সিবু কনানো)না তাখ্রে। বেষ্ট মেক-অপকী এৱার্দনা দাবো ৱাংখৈমযুম (ফিল্ম ঐখোয়সিবু কনানো)না তাখ্রে।

বেষ্ট লিরিসিষ্টনা ঐখোয়সিবু কনানো ফিল্মগী তাম্না উরিবা লোইবী চীংশাং ঈশৈ ময়েক ইবগীদমক অজিৎ য়ুম্নামনা তাখ্রে। বেষ্ট প্লেবেক সিঙ্গর (নুপী)না বাংলাদেশকী সনা তম্ফা ফিল্মদা নুংশিখ্রেদা নুংশিবী নঙসেগী শৈশকখিবী রোজি হৈস্নামনা তাখ্রে। বেষ্ট প্লেবেক সিঙ্গর (নুপা)না ঐখোয়সিবু কনানো ফিল্মগী তাম্না উরিবা লোইবী চীংশাং হায়না শৈহৌবা ঈশৈ অদুবু শৈশকখিবা দীপু খুনুংনা তাখ্রে।

বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্টরনা ঐখোয়সিবু কনানো ফিল্মগী এ গোপেশ্বরনা তাখ্রে। বেষ্ট ওদিওগ্রাফিনা পান্দম অমা ফিল্মগী শানন্দ শর্মানা তাখ্রে। বেষ্ট বেকগ্রাউন্দ স্কোরনা পান্দম অমা ফিল্মগী আর কে বিরেন্দ্রজিৎ অমসুং কর্ণজিৎ লাইশ্রমনা তাখ্রে।

বেষ্ট আর্ট দিরেক্টরনা পান্দম অমা ফিল্মগী ইরোম জোন মৈতৈনা তাখ্রে। বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফিসু পান্দম অমা ফিল্মগী ধন লুৱাংনা তাখ্রে। বেষ্ট ইদিটিংনা ঐ এক্টর নত্তে ফিল্মগী এল মোহেন্দ্রো কাম্সনা তাখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৬

ইম্ফাল তুরেলদা নুপী অমগী অশিবা হকচাং তাওথরকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল তুরেলদা নুপী অমগী অশিবা হকচাং তাওথরকখ্রে। অশিবা হকচাং অদু ঙসি অয়ূক পুং ৮.৪০ রোম তাবদা ইম্ফাল পুলিসনা সঞ্জেন্থোং মনাক্তগী লৌখৎখ্রে।

সঞ্জেন্থোংগী অৱাং থংবা নাকন্দা লৈবা ইম্ফাল তুরেলগী শরুক্তগী শিনা ফংখিবী নুপী অদু মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। য়েংবদা চহী ২৫ রোমগী লেঙ্গা মানবী নুপী অদু কুলৈ কুচুনি, মমাই কোইদানৈ, মশম ময়াই ওইরপ শাংনা মুই, ৱাংবনা সেন্টিমিটর ১৬২ রোম ৱাংই, মনা অনীমক হুৎলি।

নুপী অদু নাইলোনগী অঙৌবা খোঙ্গ্রাউ অশাংবা অমা শেৎলি, অঙৌবা টি শর্ট অমা লিৎলি, ওই থংবগী খূদাংদা য়েল্লো মচুগী প্লাষ্টিক্কী খুজি অমা শিবগা লোয়ননা ওই থংবগী খূৎনিংথৌদা খূদোপ অমসু শিরম্মী। অশিবা হকচাং ফংফম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট মোবাইল ফোরেন্সিক য়ুনিট, ইম্ফাল ৱেষ্ট এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওনা কুপ্না য়েংশিনখি। মতুংদা অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা পুরগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী অয়াবা লৌদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমদি ভিদিও কভরেজ য়াওনা পোর্ষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, অশিবা হকচাং অদু থা অসিগী ১৫গী নুংথিল

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

কর্ফিয়ু চলাইদুনা কোভিদ লাকশিনবা পাম্বগী ৱাফম ফোঙদোক্নরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): লোকদাউনগী কাঙলোনদা অহোংবা খরা থমদুনা কর্ফিয়ু নীংথিনা চল্লাইরগা কোভিদ লাকশিনবা পাম্বগী ৱাফম কয়া তোঙান-তোঙানবা মায়কৈশিংদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরকপদা মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলক্লি। মণিপুর লৈঙাক্না খূদক্তগী অহোংবা খরা থমদুনা তঙাইফদবা খোঙথাং লৌখৎপা চুমগনি। কোভিদ-১৯না নারুবা মীওইগী য়ুমগী থবক ইনখাং তৌনবা নেকপা ৱর্কর কয়া তাকথোক্তনা লৈরম্বা ইমুংগী মীওই পোজিটিভ ওইরকপা য়াওরবা ফাওবা হায়দোক্তুবনা কম্যুনিটিদা শন্দোরকপা য়াবগী চাং ৱাংলি। মীওই কয়া দিমাপুররোমদগী থৌদোরকপনা প্রোব্লেম থোরক্লবগী মরম ওই। টোবেকো প্রদক্ত কয়া লৌরুরগা লৈকায়-লৈকায়দা কার তোংদুনা ময়াই কাবা চীঙাক্কী পোৎলমশিং য়োনবা লাকপা য়াওরি। মাও অমদি

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

গাড়ী হুরানবা মীওই ৫ লিলোং পুলিসনা ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ (ও সী) ওইনাম অজিৎনা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা গাড়ী হুরানবা মীওই ৫ মখোয়না হুরানবনি হায়বা গাড়ী কয়াগা কোন্ননা ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, লিলোং পি এসকী টিম অসিনা অঞ্জুমানগী মতেংগা লোয়ননা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা লিলোং চীংজাওদগী গাড়ী হুরানবদা চেন্নবা মীওই অনী ফাখি। ফারবা মীওই অনী অদুদি, লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায়দগী এম দি ইস্লাউ রহমন এলিয়স মোমোচা (২৫), অপোকপা এম দি অব্দুল হকিম অমদি লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায়দগী এম দি মুজিদ খান (২১), অপোকপা এম দি অহমদ খাননি। মখোয়দগী মারুটি অল্টো কার (এম এন ০৫ এ/৬৯৯৬) অমা ফংখি। ফারবা মীওই অনী অসি ৱাহং পাউহং চথবদা মখোয়না হায়দোরকপদগী মীওই ৩ ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অদুদি, লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকায়দগী জিআউ রহমন এলিয়স য়াইমা এলিয়স সিরাজউদ্দিন (৪৩), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি রহিমুদ্দিন, লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায়দগী এম দি ইল্লিয়স (২৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা অয়ুব খান অমদি লৈকায় অসিমক্তদগী এম দি সভুউদ্দিন এলিয়স ইবোয়াই (৫৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অব্দুল রহমননি। মখোয়দগী রোয়ল ইনফিল্ড মোটোর সাইকল অনী ফংলে। হায়রিবা নম্বরশিং অদুদি (এম এন ০১ এ ঐচ/৪৪৯২) অমদি (এম এন ০১ এ ঈ/০০৪০)নি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লিলোং পি এসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): মীয়াম্না মিপাইনরিবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী লায়েংদুনা লাকখিবা মীওইশিং ফগৎলকপগী চাং তপ্না-তপ্না ৱাংখৎলক্লি।

মপান লমদগী হল্লকখিবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা রিমস, জেনিমস অমদি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাংবা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমদুনা লায়েংলকখিবনি। লায়েংলকখিবশিং অসিগী মনুংদা ফগৎলকখিবা কেস মশীং ৮৯৬ শুখ্রে। অদুগা ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৫৬.৬৮ য়ৌখ্রে।

হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা রিমসকী কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদগী মীওই ২৩৪, জেনিমসকী কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদগী ২২৯, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরদগী মীওই ৩২, কোভিদ ক্যের সেন্টর মৈত্রমদগী মীওই ২৪১, টি কে ৱদলেন্দ রেজোর্ট উখুলদা হাংবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদগী মীওই ৩৭, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল উখুলগী আইসোলেসন ৱার্দতগী মীওই ১৭, তমেংলোং হায়র সেকেন্দরিদা হাংবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদগী মীওই ৩৬, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতগী মীওই ৯, নৈলিট চুড়াচান্দপুরদা হাংবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদগী মীওই ৪, কোভিদ ক্যের সেন্টর সেনাপটিদগী মীওই ১৮, পি আর ইংলিশ স্কুল ককচীংদা হাংবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদগী মীওই ১৯, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী আইসোলেসন ৱার্দতগী মীওই ৯, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চান্দেলগী আইসোলেসন ৱার্দতগী মীওই ২, কোভিদ ক্যের সেন্টর কসোম খুলেনদগী মীওই ৬ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টর কামজোংদগী মীওই ৩ দিসচার্জ তৌখ্রে।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১৬ অমসু হেনগৎলক্তুনা অপূনবা কেস মশীং ১৬০৯ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা কেস ৭১৩ এক্টিভ ওইরি।

কোভিদ-১৯ কমন কন্ট্রোল রূমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সন ডা. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নুপা ১ অমসুং নুপী ১৫ পূন্না মীওই ১৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

HL-C/170/1-31/7

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

- লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।
- লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি জুলাই ৩১ ফাওবা চৎনগনি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫